# মাইগ্রেন্ট ৮৫গী হকচাংশিং লিবিয়াগী খোংবানদা ঈশিংনা চেনখৎলকখ্রে



ত্রিপোলি, জুন ০৩ (এজেন্সী) : মেডিটরিনিয়ন লাম্থোক্লবা হোৎনবদা ঈরাক্ল দুনা শিখিবা য়ামদ্রবদা মাইগ্রেন্ট ৮৫গী হকচাংশিং হৌখিবা শগোলশেন্দা জুৰারা সিটিগী মনাক নক্লা ৱেষ্টর্ন লিবিয়াগী ঈশিং খোংবানশিংদা ঈশিং ইপোমশিংনা চেনখৎলকখ্রে হায়না রেদ ক্রেসেন্টকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নোর্থ অফ্রিকাগী কোষ্ট থাদোক্তুনা ইটলি তম্লা চৎনবা মীগী মশীং খঙহেন হেনগৎখিবগা লোয়ননা হৌখিবা চয়োলদা মাইগ্রেন্ট লীশিং কয়া হিগী এক্সিদেন্টশিংদা শিখি। ঈশিংদা লাকখিবা হি কয়া লিবিয়াগী অৱাং নোংচুপ থংবা জুৰারা অমসুং সাব্রাথাগী খোংবান অকোয়বা থাদোক্লখিবনি হায়না থাজনৈ।

অল-খামিস অল-বোসাইফিনা হায়খি মদুদি, মাইগ্রেন্টশিংদুগী হকচাং অয়াম্বা পথ পুমথবা ওইরবসু মখোয় অয়াম্বা সব-সহারান অফ্রিকাদগী মাল্লি। মখোয় করম্বা মতমদা ঈরাক্লদুনা শিখিবগে হায়বা শেংনা খঙখিদে। ফংখিবা হকচাংশিংদুগী মনুংদা অঙাং অনীগী হকচাংশিং য়াওরি হায়না মহাক্লা হায়খি।

ত্রিপোলিদা কোষ্টগার্দকী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি, ঈশিং ঈথক ঈপোম কন্না হৌবনা মরম ওইদুনা পেট্রোল চৎপা য়াদবদগী হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মাইগ্রেন্টশিংগী হি অমত্তা ফাবা, থৎপনচিংবা তৌখিদে।

চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা মাইগ্রেন্ট ৪০,০০০ হেন্না ইটলিগীদমক্তা নোর্থ অফ্রিকাদগী মেডিটরিনিয়ন লানখ্রে। মখোয়না মখোয়গী খোঙচৎতুগীদমক্তা স্মগ্লরশিংদা হিরানমল পীখি।

লিবিয়াদা মী স্মগ্লরশিংনা লৈবাক্তুগী পোলিটিকেলগী কাংখোং চাইবা অমসুং লোলৈতবা ফীভমগী খুদোংচাবা লৌদুনা সব-সহারান অফ্রিকাদগী ঈশিং লম্বীশিংদা মখোয়গী এক্টিভিটিশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকখি। মখোয়না লোকল মিলিস্যাশিংগা লোয়ননসু থবক তৌমিন্নখি।

হন্দক্তা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেডিটরিনিয়ন নেভল মিসনন হায়খি মদুদি, নোর্থ ৱেষ্টর্ন লিবিয়াদা মী স্মগ্লিং তৌবনা গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্টকী চাদা ৩০ অমসুং ৫০গী মরক্তা লৈ হায়না চাউরাক্লা পানখি।

হিদা মফম অমা পীবগীদমক্তা মাইগ্রেন টশিংনা স্মগ্লরশিংদা দোল্লর চা কয়া পী। হিশিংদুগী মরক্তা ইপা পাব, নুংশিৎ হাল্লগা শীজিন্নবা ক্রাফট কয়া য়াওই। মখোয়দু মী ময়াম তোংশিনবদুদা ঈশিংদা লাকশিনখিবা নৎত্রগা ইন্টরনেসনল রেস্ক্যু মিসনশিংনা লৌখৎপা তোয়না থোকই হায়রি।

# উমংদা চয়োল ১ মাঙলুরবা জপানিজ অঙাং হিংনা লৈরল্লে



টোকিয়ো, জুন ০৩ (এজেন্সী) : লম হেনবগীদমক্তা মপা-মমানা লম্বীগী নাকলদা লংথোক্লগা থল্লম্বদগী চীংগী উমংদা শওম মরক্তা মাঙখ্রে হায়না লৌনরুরবা থীবা খঙলকখিদবা জপানিজ নুপামচা অদু চয়োল ১গী মতুংদা মিলিটরি বেজ অমদা অশোয়-অঙাম য়াওদনা লৈরল্লে হায়রি।

অশুকপা উমংদা লংথোক্লম্বা জপানিজ নুপামচা অদু মাঙখিবদগী চাউনা থী-হুম্বগী থবক চখুরকখিবা চয়োল ১ রোমগী মতুং ঙসি অশোয়-অঙাম য়াওদনা হিংলম্বনি।

চহী ৭শুবদা ঙাইরিবা য়ামাটো টানুকা কৌবা নুপামচা অদু হৌখিবা থাংজদা মহাক্লা মাঙখিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ৪ রোম লাপ্পা জপানিজ মিলিটরি বেজ অমগী বিল্ডিং অমদা লৈরমখি। মহাক নুমিৎতুদা লম্বীদা চেল্লিবা কারশিংদা নুঙনা থাবগীদমক্তা দিসিপ্লিন তম্বীবা ওইনা মহাক্কী মমা-মপানা লম্বীগী নাকলদা হুনে দাক্লম্বনি।

“ঙসি অয়ুক ঐখোয়গী লাম্মীশিংগী মনুংদা অমনা ড্রিলগীদমক্তা শেম শাখি অমসুং বেজদা লৈবা বিল্ডিং অমগী থোঙ হাংদোকখি। মদুদা মহাক মনুংদা লৈরমখি” হায়না জপানগী সেল্ফ দিফেন্স ফোর্সেসকী মেম্বর অমনা এন ঐচ কে নেসনল টেলিভিজন্দা হায়খি।

“মহাক্লা নহাক য়ামাটোরা” হায়না হংবদা নুপামচাদুনা হোই হায়না খুল্লকখি। মদুগী মতুংদা মহাক্লা মবুক লাল্লে হায়রকখি। লাম্মীশিংনা মঙোন দা ঈশিং, ব্রেদ অমসুং রাইসবোলশিং পীখি।

য়ামাটোবু হোস্পিটালদা চেক তৌহনখি তৌইগুম্বসুং মহাক মশা খরা ইংলম্বা নত্তনা হকচাং ফনা লৈরমখি অমসুং চেকশিনবা ওইনা অহিং অমা হোস্পিটালদা থমগনি হায়না ডোক্টর অমনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা হায়খি।

নুপামচাদুগী মপা টাকায়ুকি টানুকানা মপি ইরা চেল্লদুনা মহাক্কী মচাবু থীবা হুম্বদা শরুক য়ারিবা রেস্ক্যু ৱার্করশিংদা থাগৎখি অমসুং অরেম্বদা মখোয়বু ৱাহনবগীদমক্তসু এপোলোজাইজ তৌখি।

“ঐখোয়না তৌখিবশিং অদু ঐখোয়না ৱারী লিদুনা খঙহনখি অমসুং মদু তশেংনমক কা হেনবা থৌওংনি” হায়না টানুকানা খোঞ্জেল নীক্লদুনা হায়খি।

“ঐখোয়না মহাকপু হান্নদগী অদুম নুংশিখি তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি ঐহাক্লা মঙোন্দা পূক্লিং হেন্না চঙলগনি” হায়না মহাক্লা হায়খি।

য়ামাটোগী মমা-মপানা অহানবদা মহাক মখোয়না চাবা য়াবা পাম্বী খরা থিরিঙৈদা মফমদুদা লৈরমদবনি হায়খি। তৌইগুম্বসুং তুংদা পুলিসতা মখোয়না নুপামচাদু লম্বীদা উবা মী অমসুং কারশিংদা নুঙনা থাবগীদমক্তা দিসিপ্লিন তম্বীবা ওইনা লম্বীগী নাকলদা লংথোক্তুনা থল্লবনি হায়না ফোঙদোকখি।

মিনিট খরা লৈরগা মখোয়না নুপামচাদুবু হুনে দাক্লম্বা মফমদুদা অমুক থৌজিন্দুনা য়েংলুবা মতমদা মহাক লৈরমদবনি হায়না মখোয়না (য়ামাটোগী মপা-মমানা) পুলিস অমসুং পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

# জর্মন পার্লিয়ামেন্টকী অর্মিনিয়ন জেনোসাইদকী রিজোলুসন টর্কিনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

বর্লিন, জুন ০৩ (এজেন্সী) : মাইগ্রেন্টশিংগী ক্রাইসিসকী মতাংদা য়ুরোপ অপুন্বনা টর্কিগী মতেং পাল্লক্লিঙৈ মতমসিদা কুমজা ১৯১৫দা অর্মিনিয়ন কয়া ওটোমান ফোর্সশিংনা হাৎখিবগী থৌদোকপু জর্মন পার্লিয়ামেন্টনা জেনোসাইদ অমনি হায়না ৱারেপ অমা তাখিবদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা টর্কিনা ঙরাং জর্মনিদা থাবা লৈবাক অদুগী এম্বেসেদর কৌথোকখ্রে।

অহানবা মালেমগী লাঞ্জাওগী মনুংদা খৃষ্টান অর্মিনিয়নশিং হাৎখিবগী থৌদোক্তুবু জেনোসাইদকা মান্নে হায়বা আইদিয়া অসি টর্কিনা রিজেক্ট তৌই। টর্কিগী দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টরনা জর্মন পার্লিয়ামেন্টকী ভোট অদু “পুৱারীদা লৈহৌরগদবা অশোয়বা অমনি” হায়খি।

জর্মনিগী বুন্দেসতাগ লৱার হাউস ওফ পার্লিয়ামেন্টনা অচৌবা মেজোরিটিগা লোয়ননা সিম্বোলিক রিজোলুসন অদু পাস তৌদ্রিঙৈগী মমাঙদা টর্কিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মোসন অদু “মরম চাদে” হায়না কন্দেম তৌখি অমসুং মদুনা নেটোগী পার্টনরশিংগী মরক্তা লৈনরিবা মরুপ-মপাং ওইবগী মরীগী চাংয়েং ওইগনি হায়খি।

জর্মন পার্লিয়ামেন্টনা রিজোল্যুসন অদু পাস তৌখিবা পুং ২গী মনুংদা টর্কিনা জর্ম্মনিদা থাবা মখোয়গী এম্বেসেদরবু ৱা তাননবগীদমক্তা কৌথোকখি অমসুং তোপ জর্মন দিপ্লোমেট অমবু অঙ্করাদা লৈবা ফোরন মিনিষ্ট্রিদা কৌখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রোটেষ্টনচিংবা থোক্লকপা য়াবগী চেকশিন থৌরাং ওইনা ইস্তানবুলদা লৈবা জর্মন কোন্স্যুলেটকী মপান্দা খুৎলাই পায়বা রাইঅট পুলিস দিপ্লোই তৌখি।

নাইরোবিদা খোঙচৎ অমদা লৈরিবা প্রসিদেন্ট তয়িপ ইর্দোগননা হায়খি, রিজোল্যুসন অদুনা জর্ম্মনিগা লৈনরিবা মরীদা শাথিনা অকায়বা পীরগনি অমসুং অঙ্করানা করি করি খোঙথাংশিং লৌখৎকদগে হায়বদু গভর্ণমেন্টনা খন্নরগনি।




“নশাগী পুৱারীগী অমুবা লমায়শিংবু খুমজিন্নবগী লম্বীদি রেস্পোসিবিলিটি য়াওদবা অমসুং মরম চাদবা পার্লিয়ামেন্টকী ৱারেপশিংনা অতৈ লৈবাকশিংগী পুৱারীদা শোকহনবনা ওইবা য়ারোই” হায়না টর্কিশ ফোরন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুসোগলুনা ত্বিটরগী ৱারোল অমদা হায়খি।

রুলিং এ কে পার্টিগী স্পোক্সমেন অমনা ভোট অদুগী মতাংদা অথুবা পাউখুম অমা পীরদুনা হায়খি মদুদি, “খোঙথাং অদুনা লৈবাক অনীগী মরী শাথিনা শোকহল্লে।”

য়াম্না তাংবা মওংদা অমত্তা ওইবগী শক্তম উৎলদুনা রুলিং এ কে য়াওনা টর্কিগী পোলিটিকেল পার্টি অহুম্না জর্মন পার্লিয়ামেন্টকী ভোট অদুবু কনে দম তৌবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোকখি।

# ‘ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা লৌখৎপা এক্সনশিং লৈবাক্কী অনিংবা অপাম্বগী মতুং ইন্ননি’

বৈজিং, জুন ০৩ (এজেন্সী) : পাকিষ্টানগুম্বা লৈবাকশিংগা লোন্নরগা লৈবা সিনজিয়াং প্রোভিন্সতা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা চথখিবা এক্সনবু বৈলাক অদুগী অনিংবা অপাম্বশিং কন্নবা অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা চাইনানা ঙরাং হায়খ্রে মদুদি, চাইনানা মীরৈবাক্কী ওর্গনাইজেসন নৎত্রগা মীওই অমত্তবু লৈবাক অসিগী লাইনিং-লাইশোনগী এফেয়ার্সতা খুৎ থিংজিনহল্লোই।

লাইনিং-লাইশোনগী মিংদা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা রেদিকেল অমসুং এক্সট্রিমিষ্ট ওইবা ৱাখল্লোনশিং শনে দাকই অমসুং থিওক্রেসি অমা লিংখৎনবা কা হেনবা থৌওংশিং চথে হায়না চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী হ্বাইট পেপর অমনা হায়খি।

মমাঙদা অমুক্তা ওইখিদ্রিবা মওংদা সিনজিয়াংদা লাইনিং-লাইশোনগী নীংতম্বা ফজনা লৈরে হায়না পেপর অদুনা হায়খি। “প্রোভিন্স অদুদা লৈরিবা লাইনিং-লাইশোন থাজবগী নীংতম্বা অদু অতৈ পুৱারীগী তাঙ্কক অমত্তগা লম্বা তৌবা য়ারোই।”

কুমজা ১৯৪৯দা পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনা (পি আই সী) হৌদোকখি-ঙৈদগী লৈবাকসিদা সিটিজনশিংগী লাইনিং-লাইশোনগী থাজবা মপুং ফানা ঈকায় খুম্নখি অমসুং থাজবশিংগী মহৌশাগী লাইনিং-লাইশোনগী তঙাইফদবশিং অদু নীংথিনা ফংহনখি হায়না পেপর অদুনা ফোঙদোকখি।


সিয়ানজিয়াংদা, “শেল-থুম চাউখৎহনবা অমসুং সোসাইটিদা তংতাবগী ফীভম পুরকপদা লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা সার্কলশিংনা লৌরিবা পূক্লিং থৌগৎনিঙাই ওইরবা থৌদাং নীংথিনা উবা ফংই। গভর্ণমেন্টনা লাইনিং-লাইশোনগী এফ্যের্স য়েংশিনবগী থৌওংবুসু তত্তনা পাঙ্গল কনখৎহল্লে, লাইনিং-লাইশোনগী লম্বীদা ইন্টরনেসনল এক্সচেঞ্জশিং হেন্না পাকথোক চাউথোকহল্লে অমসুং লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈনবা কা হেনবা ৱাখল্লোনশিং শন্দোকপগী থবকশিং নীংথিনা লাকশিল্লে” হায়না হ্বাইট পেপর অদুনা হায়খি।

লাইনিং-লাইশোনগী কা হেনবশিং অসি মহৌশানা মীওইবগী, সোসাইটিগী, সিবিলাইজেসনগী অমসুং লাইনিং-লাইশোনগী মায়োক্তা ওই হায়না পেপরদুনা হায়খি অমসুং চাইনানা লাইনিং-লাইশোনগী কা হেনবা থৌওংশিং লাকশিন্নবা হোৎনরিবদু অচুম্বা থবক অমনি হায়রদুনা মদু লৈবাক্তুগী অমসুং মীয়ামগী মরু ওইবা ইন্টরেষ্টশিং কন্ননবা থবক অমনি হায়না পেপরদুনা হায়খি।

চাইনিজ গভর্ণমেন্টনা লাইনিং-লাইশোনগী ৱাফমশিংবু পোলিটিসাইজ তৌবা অমসুং লাইনিং-লাইশোনগী মিংদা লৈবাক অমনা চাইনাগী মনুংগী ওইবা ৱাথোক-লাম্থোকশিংদা খুৎ থিংজিল্লকপগী থৌওংশিং মপুং ফানা ওপোজ তৌই হায়না পেপর অদুনা হায়খি। “চাইনানা কৈদৌনুংদা মীরৈবাক্কী ওর্গনাইজেসন অমত্তবু নৎত্রগা মীওই অমত্তবু চাইনাগী লাইনিং-লাইশোনগী এফ্যের্সতা খুৎ থিংজিনহল্লোই” হায়না হ্বাইট পেপর অদুনা হায়খি।

# লুহোংসি য়াদবা নুপী মৈ থাদুনা হাৎপদা চেন্নবনি হায়বা মীওই অনী ফাগৎখ্রে





অপ্পর দেৱাল, জুন ০৩ (এজেন্সী) : মশাগী চহীগী শরুক অনী ওইবা নুপা অমদা লুহোংসি হায়বা য়াদবগীদমক্তা চহী ১৯গী স্কুল ওজা নুপী অমবু ওৎপা নৈবা তৌরবা মতুংদা মৈ থাদুনা হাৎখিবগী থৌদোক্তা চেন্নবনি হায়না মীওই অনী ফারে অমসুং অতোপ্পা মীওই মঙাসু ফানবা মখা তানা থীবা হুম্বগী থবক চথুরি হায়না পাকিষ্টানি পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

তীনেজর অদুগী মমা অশিয়া বিবিনা এ পিদা হায়খি মদুদি, মহাক্লা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা মচানুপী মারিয়ানা পুলিসতা পীখিবা ৱারোল অমদা চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা নুপা মঙানা মহাক্কী ময়ুমদা থোমজিন্দুনা চঙলকখি অমসুং মহাকপু মপান্দা চীংথোক্লগা ফুটবোল কাওবদৌনা কাওখি হায়না ফোঙদোক্লমখি।

নোরদর্ন পাকিষ্টানগী অপ্পর দেৱাল খুঙ্গংদা লৈবা মহাক্কী ময়ুমদগী ৱা ঙাঙখিবা বিবিনা কপ্লদুনা মহাক্কী মচানুপীগীদমক্তা অচুম্বা ৱায়েল ফংহনবীনবা দিমান্দ তৌখি। “মীগীদমক্তা ৱাখল অমত্তা খনদ্রবা মীওইশিং অদুনা ঐহাক্লা য়ুমদা লৈত্রিঙৈ মতমদুদা ইচানুপীবু মীনুংশি মচেৎ অমত্তা য়াওদনা ওৎ-নৈখি” হায়না মহাক্লা হায়খি।


বিবিনা হায়খি, মহাক্কী মচানুপী অদু স্কুল অমগী মপু ওইবা মীওই অমনা মচানুপাদা লুহোংনবগী ৱাফম হৌ-দোকপদা য়াখিদবগীদমক্তা হাৎখিবনি।

লোকল পুলিসকী ওফিসল ৱাহীদ অমেদনা হায়খি মদুদি, মারিয়া বিবিদা এটেক তৌখিবদু মহাক্লা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদনি হায়বসি ওথোরিটিশিংনা খঙলে। তীনেজর নুপীমচা অদু হৌখিবা য়ুমশকৈশ নুমিৎতা পাকিষ্টানি কেপিটেল ইস্লামাবাদতা লৈবা হোস্পিটাল অমদা শিখিবনি। “মসিগী এটেক অসিদা শরুক য়াখিবা মীশক খূদিংমক ফাননবা পুলিসনা হোৎনবা য়াবা খূদিংমক হোৎনরি” হায়না মহাক্লা হায়খি।

পুলিসকী রেস্পোন্স মতিক চাদে হায়না নুপীমচাদুগী মপা সাদাকট হুশাইন অব্বাসিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। মহাক্লা এ পিদা মহাক্কী মচানুপীবু মহাক্কী এটেক্করশিংদুনা মৈ থাদুনা হাৎখিবা মফমদু উহনখি। মফমদুদা নাপীগী মফম অমা কাদুনা লৈরম্বা উখি। “ঐহাক্কী ইচানুপীনা মশা শিদ্রিঙৈগী মমাঙদা ঐঙোন্দা ৱারী লোইনা লিরমখি অমসুং ঐখোয়দা মহাক্কী ভীদিওগী ৱারোল লৈ” হায়না মহাক্লা হায়খি।

মশক নাইবা হ্যুমেন রাইটস এক্টিভিষ্ট অমা ওইরিবা ফরজানা বাজিনা থৌদোক অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং মরাল লৈবশিংদুবু অকনবা চৈরাক পীনবা দিমান্দ তৌখি।

পাকিষ্টানদা নুপীবু ওৎ-নৈবা, মীশি-মীনা থোকহনবগী থৌদোকশিং তত্তনা থোক্লি। লৈবাক অসিদা মশাগী অমদি ইমুংগী ঈকায় খুম্নবা কঞ্জনবগী মিংদা চহী খূদিংগী নুপী লীশিং ১ রোম ইমুং-মনুংনা হাৎতোক্লি। নুপা-নুপী নুংশিনবা অমসুং লুহোংবগী মতাংদা মহৌশাগী চৎনবীশিং খোঙ্গাউনৈ হায়বগীদমক্তা পাকিষ্টানি নুপীশিং অদুবু মখোয়গী ইমুংগী মীশিং অমসুং মরী-মতাশিংনা হাৎলিবনি হায়রি।

HL-B/3040/20/05-19/06 June



HL-B/3061/18/04-17/05


## EMPLOYMENT NEWS

**PUNJAB AND SIND BANK – PSB RECRUITMENT 2016 – 08 HOCKEY PLAYER (CLERICAL CADRE) VACANCY – LAST DATE 16 JUNE**

**PSB Recruitment 2016**
Punjab and Sind Bank invites application for the post of 08 Hockey Player in Clerical Cadre and Junior Hockey Academy on Scholarship basis. Apply Online before 16 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Clerks (Hockey Player)
**No. of Vacancy :** 08 Posts
**Eligibility Criteria for Punjab Sind Bank Recruitment :**
**Educational Qualification :** 10+2 examination or its equivalent, from any recognized board.
**Nationality :** Indian
**Age Limits :** As on 01.06.2016
**For Clerical Cadre :** 18 to 28 years
**For Junior Hockey Academy on Scholarship basis :** 15 to 18 years
**Job Location :** Punjab
**Selection Process :** Selection will be On the basis of the performance in the field trials, candidates will be finally selected.
**How to Apply PSB Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.psbindia.com form 02.06.2016 to 16.06.2016.
**Important Dates to Remember:**
**Starting Date for Registration of Online Application :** 02.06.2016
**Last Date for Registration of Online Application :** 16.06.2016
**Important Links:**
**Details Advertisement Link :** https://www.psbindia. com/terms-conditions-hockey.pdf
**Apply Online :** https://www.psbindia.com/hocky_player_application.php

**CHACHA NEHRU BAL CHIKITSALAYA, DELHI RECRUITMENT 2016 – 10 LAB ASSISTANT, OCCUPATIONAL THERAPIST & PHYSIOTHERAPIST VACANCIES – LAST DATE 14 JUNE**

**Chacha Nehru Bal Chikitsalaya, Delhi Recruitment 2016**
Chacha Nehru Bal Chikitsalaya, Delhi invites application for the post of 10 Lab Assistant, Occupational Therapist & Physiotherapist on contract basis. Apply before 14 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Lab Assistant
**No. of Vacancy :** 08 Posts
**Pay Scale :** Rs. 23086/- (Per month)
**Post Name :** Occupational Therapist
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 40381/- (Per month)
**Post Name :** Physiotherapist
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 40381/- (Per month)
**Eligibility Criteria for Chacha Nehru Bal Chikitsalaya Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Lab Assistant :** Matriculation / Higher Secondary/ Senior Secondary with Science and Diploma in Medical Laboratory technique from a recognized institution. or 10+2 Vocational courses in Medical Laboratory Techniques (MLT) from Schools recognized by State Government.
**For Occupational Therapist :** F.Sc./ Pre-medical/ Higher Secondary with Science and Diploma in Occupational Therapy from Recognized Institution.
For Physiotherapist : F.Sc./ Pre-medical/ Higher Secondary with Science and Diploma in Physiotherapy from Recognized Institution.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For Lab Assistant :** 27 years
**For Occupational Therapist & Physiotherapist :** 30 years
**Job Location :** Delhi
**Selection Process :** Selection will be made on Interview.
**Application Fee :** Candidates belonging to General /OBC have to pay Rs. 500/- & Rs. 250/- for SC/ST candidates through Demand Draft in favour of Director, Chacha Nehru Bal Chikitsalaya payable at New Delhi. PWD Candidates are exempted from the payment of application fee.
**How to Apply :** Interested candidates may apply in prescribed application form along with attested copies of all relevant documents, experience certificate & DD send to the Director, Chacha Nehru Bal Chikitsalaya, Geeta Colony, Delhi-110031 on or before 14.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date for Submission of Application :** 14.06.2016
**Date of Interview :** 01.07.2016
**Important Links :**
**Detailed Advertisement & Application Form Link :** http://delhi.gov.in/wps/wcm/connect/1e1c29004cf5991481aafdddef674405/advertisement-for-paramedical+staff.pdf?MOD=AJPERES&lmod=-378914264

**MALABAR CANCER CENTRE – MCC RECRUITMENT 2016 – 06 TECHNICIAN, CLERK/CAHIER & VARIOUS VACANCIES – LAST DATE 22 JUNE**

**MCC Recruitment 2016**
Malabar Cancer Centre invites application for the posts of 06 Technician, Clerk/Cahier & Various Vacancies on Permanent Basis. Apply before 22 June 2016.
**Job Details :**
**Post Name :** Technician
**No. of Vacancy :** 02 Posts
**Pay Scale :** Rs. 13210-22260/-
**Post Name :** Clerk/Cahier
**No. of Vacancy :** 01 Post
**Pay Scale :** Rs. 9940-16580/-
**Eligibility Criteria for MCC Recruitment :**
**Educational Qualification :**
**For Technician :** BSc MLT.
**For Clerk/Cahier :** Degree + Certificate in computer application from a Govt. recognized institution.
**Nationality :** Indian
**Age Limit :**
**For SC Candidates :** 40 Years
**For OBC Candidates :** 38 Years
**Job Location :** Kannur (Kerala)
**Selection Process :** Selection will be made on Written Test & Interview.
**Application Fee :** OBC Candidates have to pay Rs. 150/- (Rs.50/- for SC candidates) through Demand Draft drawn in favour of Director, Malabar Cancer Centre, Thalassery payable at Thalassery.
**How to Apply :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with photocopies of relevant documents, experience certificate & DD send to The Director, Malabar Cancer Centre, Moozhikkara PO, Thalassery, Kerala-670103 on or before 22.06.2016.
**Important Dates to Remember :**
**Last Date For Submission of Application :** 22.06.2016
**Important Links :**
**Detail Advertisement Link :** http://www.mcc.kerala.gov.in/MCCApp/AdvtMay2016/Fin_Spl_NCANotification30052016.pdf
**Download Application Form :** http://www.mcc.kerala.gov.in/MCCApp/AdvtMay2016/Application_form_nonAcademic.pdf